রসিয়ন বোম্মরশিং ইন্টরসেপ তৌখ্রে

মোস্কো, জুন ১০ (এজেন্সি) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা নক্লবা ন্যুট্রেল ওইবা ঈশিংগী মথক্তা রুটিন ফ্লাইট পাঙথোক্লিবা রসিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পুবা ঙম্বা বোম্বর মরি য়ু এসকী ফাইটর জেদশিংনা ইন্টরসেপ তৌবগা লোয়ননা ঙাক শেনখ্রে হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, তুপোলেভ ২-৯৫ এম এস বোম্মরশিংগী পুং ১১ গী ফ্লাইট অদু ইন্টরনেসনল লো ঙাক্লা পাঙথোকখি অমসুং য়ু এসকী এফ-২২ রাপটর টেক্তিকেল ফাইটরশিংনা বোম্মরশিং অদুবু ফ্লাইটকী তাঙ্কক খরদা ঙাক শেনবগী থৌওং চথখি।

মীওই ৩০ থিবা খঙখিদ্রে

কথমন্দু, জুন ১০ (এজেন্সি) :

নেপালদা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্তা টিপর ট্রক অমা কর্নালি তুরেলদা তাশিনখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ থিবা খঙখিদ্রে। টিপর অদুনা ইন্দিয়াদগী নেপালি ৫০ কলিকোট দিষ্ট্রিক্টকী রাজকোট ম্যুনিসিপালিটিদা লৈবা ক্বারন্টিন ফেসিলিটি অমা তম্না পুদুনা চৎপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াদা অকনবা প্রেসর পীবদা নোর্থকী লিদরগী মচলনুপীনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরক্লি

সিওল, জুন ১০, (এজেন্সি) :

সাউথ কোরিয়াগী মায়োক্তা হান্নদগী হেন্না কনবা প্রেসর কেম্প্যেন অমা চথবদা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উনগী মচলনুপীনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরক্লি।

মশাগী চহী ৩০ খরা হেল্লহল্লগনি হায়না থাজনরিবা কিম য়ো জোং অসি পোলিটিক্সতা নোর্থ কোরিয়াগী লিদরগী খ্বাইদগী নক্লবা পব্লিক রোল লৌরক্লিবা মীশক্লি হায়না এনালিষ্টশিংনা থাজরি। মখোয়গী মতুং ইন্না কিম য়ো জোংগী থোইদোক হেন্দোকপা হৌজিক ওইরিবা পোলিসি রোল অসি মহাক্কী মবুংগী এসিষ্টেন্ট ওইবগী থৌদাংদগী হেল্লি হায়না লৌবা য়াই।

কুমজা ২০১৮-১৯গী অকনবা ইন্টরনেসনল দিপ্লোমেসি মনুংদা কিম য়ো জোংনা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৮গী ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা নোর্থ কোরিয়াগী দেলিগেসন অমা লুচিংখি। মদুগী তুংদা থেঙ্খাং কয়াদা মহাক্লা মপুংগী থবক কয়াদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা মতেং পাংবা হৌরকখি।

ভিয়েটনামদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবগীদমক্তা কিম জোং উন্না খোঙশানবা থোক্লকপদা মচলনুপীনা মহাকপু এষ্ট্রে পায়রগা ট্রেন ষ্টেসন ফাওবা থিন্দোকখি। তৌইগুম্বসুং চহী অসিদা কিম য়ো জোংনা মরু ওইবা পব্লিক পোলিসিগা মরী লৈনবা থৌদাং লৌরক্তুনা হীরম কয়াদা ইথিল পীবা ঙম্বা পোলিটিকেল প্লেয়র অমগী মপুং ফারবা ষ্টেটস অমা শাগৎনবা হোৎনরকখি। হান্নদি কিম য়ো জোংবু ষ্টেট মিদিয়ানা কিম জোং উনগী মচল, মহাক্কী প্রোতোকোল ওফিসর নৎত্রগা মহাক্কী মতুং ইনবা ওফিসলশিংগী মনুংদা অমা ওইনা উৎখি হায়না য়ু এস গভর্নমেন্টকী হান্নগী নোর্থ কোরিয়া ওপন সোর্স ইন্টেলিজেন্স এনালিষ্ট রাচেল মিনয়ং লীনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না হৌজিক্তি নোর্থ কোরিয়নশিংনা কিম য়ো জোংবু মরু ওইবা পোলিসিমেকর অমা ওইনা লৌনরক্লে।

মহাক্লা নোর্থ কোরিয়াগী প্রোপেগেন্দা এজেন্সিশিংগী মরুমদা থবক তৌখি। থৌদাং অসিনা মরম ওইদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মহাকপু হ্যুমেন রাইটস এব্যুজশিং অমসুং সেন্সরসিপকা মরী লৈননা কুমজা ২০১৭ দা অথিংবা থমখিবা সিনিয়র ওফিসলশিংগী লিষ্ট অমদা হাপচিনখি। হৌখিবা মার্চতা ফোঙখিবা কিম য়ো জোংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা সাউথ কোরিয়ন ওথোরিটিশিংবু অকনবা মওংদা চৈ থাংখি। মদুগী মতুংদা ট্রম্পকী কমেন্ট কয়াগী পাউখুম পীখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলদা মহাক্লা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াগা কম্যুনিকেসন তৎনরগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। কিমগী তোপ-তোপ্পা ষ্টাইলগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা মহাক্কী ৱাখল-লৌশিং অমদি মতিক ময়াই লৈরবা পোজিসন উৎলি হায়না লিনা ফোঙদোকখি।

হোং কোং পুলিসনা প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট ৫৩ ফাগৎখ্রে, মখা তাবা রেলিশিং থৌরাং তৌখ্রে

হোং কোং, জুন ১০ (এজেন্সি) :

হোং কোংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা এক্তিভিষ্ট চা কয়ানা শরুক য়াদুনা চথখিবা প্রোটেষ্ট মনুংদা সিটি অসিগী পুলিসনা মীওই ৫৩ ফাগৎখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংনা মালেমগী ফাইনান্সিএল হব অদুগী মরু ওইবা লম্বীশিং থিংজিনবা য়াওনা চথখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা মমৈথংনা পেপ্পর স্প্রে কাপখি। বৈজিংদা লৈবা সেন্ট্রল গভর্নমেন্টনা নেসনল সিক্যুরিটি বিল অমা প্রপোজ তৌখিবনা মরম ওইদুনা সিটি অসিদা উংখৎনবা হেনগৎল্লিঙৈ মরক্তা পাঙথোক্লিবা প্রোটেষ্টশিং অদু হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা চথরকখিবা প্রো-দেমোক্রেসি রেলিশিং চহী অমা ফারকপগা মরী লৈনখি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, লোনা য়াদবা মওংদা পুনবা অমসুং অয়াবা য়াওদনা পাঙথোকপা রেলিশিংদা শরুক য়াবগী মরালদা নুপা ৩৬ অমসুং নুপী ৩৭ ফাখি। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা

থিংনবগী পান্দমগা লোয়ননা হোং কোং গভর্নমেন্টনা চৎনহনখিবা মী ৮ দগী হেন্না পুনবা য়াদবগী অথিংবা অমা প্রোটেষ্টরশিংনা থুগায়খি।

প্রপোজ তৌরিবা নেসনল সিক্যুরিটি লেজিসলেসন অদুনা সিটি অসিগী মীয়ামগী মনীং তম্বশিং লাকশিল্লগনি হায়না প্রো-দেমোক্রেসি শৌগৎপশিংনা মীপাইনবগা লোয়ননা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু মখা তানা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

সিক্যুরিটি লো অদুগী অকুপ্পশিং নৎত্রগা লো অদু করম্না ওপরেট তৌগনি হায়বগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা থোইদোক্লা খঙনদ্রিবা ওইরবসু বৈজিং অমসুং হোং কোংগী ওথোরিটিশিংনদি লো অদুনা মীয়ামদা অকায়বা অমত্তা পীরোই। শুপ্পগী ইরাং হৌবা মীওই খরখক্তা টার্গেট তৌগনি হায়রি।

পুটিন, মর্কেলনা লিবিয়া, য়ুক্রেনগী মরমদা খন্নখ্রে

মোস্কো, জুন ১০ (এজেন্সি) :

লিবিয়াদা লান কনশিল্লকপগী ফিভমদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং জর্মন চান্সেলর এঞ্জেলা মর্কেলনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ফোনদা ৱারী শানদুনা লুচিংবা অনীনা য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্টকী মতাংদা ৱারোইশিন পুরকপদা লৈরিবা প্রোব্লেম কয়া খন্নখ্রে হায়না ক্রেম্লিন্না ফোঙদোকখ্রে।

লিদরশিংনা লিবিয়াদা লান কনশিল্লকপগী ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এনগী মীৎয়েং মখাদা লিবিয়াগী কনফ্লিক্টতা চেন্নরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা য়াম্না থুনা সীজফায়র চৎনহনগনি অমসুং নিগোসিএসন হৌগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্রেম্লিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ৱারী শানবা অদুদা রসিয়াগী মায়কৈদগী লিবিয়াগী ক্রাইসিস অদু ঈংনা-চিক্না ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ইজিপনা পায়খৎলক্লিবা ৱাতেম্বগী থৌরাংশিং য়ানিংবা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জন্যুৱারি ১৯ দা বর্লিনদা পাঙথোকখিবা লিবিয়াগী ৱাথোক্কী ওইবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্সতা লৌখিবা ৱারেপশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইজিপ্লা কনফ্লিক্ট অসিদা ৱাতেম্নবা হোৎনরকখিবনি। পুটিন অমসুং মর্কেলনা য়ুক্রেনগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকপগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

মখোয়না কুমজা ২০১৫ দা খুৎয়েক পীনখিবা মিনস্ককী এগ্রীমেন্ট অমসুং কুমজা ২০১৯ দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা নোর্মান্দি ৪ সম্মিটকী রিজোল্যুসনশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা খুমাঙ চাওশিনবা ৱাৎপগী ফিভমদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি হায়না ক্রেম্লিনগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা মখা তাখি।

য়ু এসনা মখা তানা খুৎলায়গী অথিংবা শাংদোক্লবা হোৎনরকপদা য়াদনবা ইরান্না, রসিয়া অমসুং চাইনাদা তকশিনখ্রে

দুবাই, জুন ১০ (এজেন্সি) :

মালেমগী পৱার ৬ কা য়ানখিবা ইরানগী কুমজা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়র দিলগী মখাদা লাক্লিবা ওক্তোবরদা মতম লোইরগদবা য়ু এন্না লৈবাক অসিদা থমখিবা খুৎলায়গী অথিংবা অমা মখা তানা শাংদোক্লবা ৱাশিংটন্না হোৎনরকপদা য়াদনবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরান্না রসিয়া অমসুং চাইনাদা তকশিনখ্রে।

খুৎলায়গী অথিংবা অদু লৌথোকপা তারবদি টেহরান্না খুৎশু-খুৎলায় কয়া শাদুনা নৎত্রগা লৈদুনা মিদল ইষ্টতা কনফ্লিক্ট কয়া লাক্লবগী মরম ওইরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা য়ু এসনা অথিংবা অদু মখা তানা শাংদোক্লবা অমসুং হেন্না চেৎশিনহন্নবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অকনবা ফিরেপ অমা লৌরকখিবনি।

অমেরিকানশিং হান্নদগী ইরানদা শাউদুনা লাকখিবদু মখা তানা নীংবা কায়রক্তুনা হৌজিক্তি মখোয়না ইশ্যু অসি সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুখৎপা পাল্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ঐখোয়না কাউন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর মরিবু অমেরিকাগী মায়োক্তা অকনবা ফিরেপ অমা লৌহনবা পান্মী হায়না ইরানগী প্রসিদেন্টন হসন রৌহানিনা মীয়ামদা পীবা স্পীছ অমদা হায়খি।

মহাক্লা হায়খি মদুদি, মরু ওইনা রসিয়া অমসুং চাইনানা য়ু এসকী খুজিল থৌরাং অসি থিংলক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজে। অমেরিকানা ইরানবু মরায় চাইথনবা অমদি য়েংখায় থিংগায়বা পীনবা হোৎনবা খুদিংমক মায় পাকপা ঙম্লোই। অথিংবা কয়াগী মখাদা ঐখোয়না হান্নদগী তৌদুনা লাকপগুম ঐখোয়গী ঙাকশেলগী মতিক ময়াইশিং হেনগৎহল্লগনি।

সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ভিটো পৱারশিং ওইরিবা রসিয়া অমসুং চাইনানা মখোয় ইরানগী মায়োক্তা অমুক হন্না খুৎলায়গী অথিংবা থম্বগী মায়োক্তা লৈ হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি। টেহরানগী খুদোংচাগদবা অশোয়বা কয়া য়াওরে হায়রদুনা য়ু এসনা কুমজা ২০১৮দা দিল অদুদগী হন্দোকখিবনি।

জর্মনিদা কোরোনা ট্রাভেল ৱার্নিং শাংদোকখ্রে

বর্লিন, জুন ১০ (এজেন্সি) :

জর্মনিনা নন-য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী অথিংবা ওগষ্ট লোইবা ফাওবা শাংদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিনা জুন থাখায় চনবা ফাওবগী মনুংদা বোর্দর কন্ট্রোলশিং লৌথোক্তুনা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংগা ফাওনবা য়ারগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জর্মন মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুরোপকী লৈবাক কয়াদা কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস খরা কোমথোরকপগী ফিভম লাকখিবগা ইরোয়ননা ফোরেন মিনিষ্টর হৈকো মাসনা হায়খি মদুদি, জর্মনিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মালেমগী অতৈ মফমশিংগা ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈতবা মওংদা চৎথোক-চৎশিনগী এরেঞ্জমেন্টশিং য়ানবা অমত্তা লৈতে। ঐখোয়না হান্দক্কী কালেন মনুংদা মালেমগী মফম কয়াদা জর্মনশিংবু অমুক হন্না পন্দুনা লৈহনবা নৎত্রগা লম কোয়বশিংনা জর্মনিদা ভাইরস লোইনরগা হল্লকহনবা পামদে হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

জর্মন লম কোয়বা কয়ানা টর্কি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, নোরদর্ন অফ্রিকা অমসুং সাউথ-ইষ্টর্ন এসিয়াগী মফম কয়াদা চৎপা পান্মী হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টনা সেপ্তেম্বরগী মমাংদা ট্রাভেল ৱার্নিং অসি মখা তানা চৎনহন্নবা হোৎনগনি। জর্মনিনা মমাংদা ঈ য়ুগী মেম্বরশিং বৃটেন, আইসলেন্দ, নোরৱে, লৈষ্টেনষ্টাইন অমসুং সুজেলেন্দগা চৎথোক চৎশিন তৌনবদা থম্লম্বা অথিংবা জুন ১৫ দগী লৌথোক্লগনি হায়না লাউথোক্তুনা ইন্দিভিজ্যুএল রিজনশিংগী তোঙানবা ট্রাভেল এদভাইস অমা থোক্লবগী লম্বী ফাৎখি।

ওফিসলশিংনা য়েৎনরিবা ইথৎ য়েংশিনখ্রে

মনিলা, জুন ১০, (এজেন্সি) :

বৈজিংগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা উৎলকপা য়াবা খোঙচৎ অমা ওইনা ফিলিপিন্সকী দিফেন্স মিনিষ্টর অমসুং মিলিটরি ওফিসলশিংনা চাইনানা শেমশাখিবা বেজ অমদগী মাইল খরদমক লাপ্পা লৈবা য়েৎনবা লৈবা সাউথ চাইনা সীগী ইথৎ অমদা চত্তুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

ফিলিপিন্সকী খ্বাইদগী মরু ওইবা ষ্ট্রেটেজিক মফম্নি হায়না লৌনবা সাউথ চাইনা সীগী ইথৎ অদুদা য়াম্না তঙইফদ্রিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎশাগৎনবগীদমক্তা বিচিং রাম্প অমা লোঞ্চ তৌনবা দিফেন্স মিনিষ্টর অমদি মিলিটরি ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থিতু ইথৎতা চৎখি। রাম্প অদুনা লান্মী খরা অমদি মীচম খরা লৈরিবা হেক্তর ৩৭ পাক চাওবা ইথৎ অদুদা কন্সট্রক্সন মেটরিএলশিং অমসুং অচৌবা ইক্বিপমেন্ট পুশিনবদা খুদোংচাহল্লগনি।

দোলর মিলিয়ন ২৬ থাদদুনা শেমগৎশাগৎকদৌরিবশিং অদুগী মনুংদা থিতু ইথৎকী লেন্দিং ষ্ট্রিপকী ফিভম ফগৎহনবা য়াওরি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টর লোরেঞ্জনানা হায়খি মদুদি, ইথৎ অদু মিলিটরি ইন্সটোলেসনগী মফম ওইহনবদি তৌরোই। থৌরাং অসিগী পান্দমদি ইথৎ অদুদা মী লৈবদা খুদোংচাহন্নবা শেমগৎপনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

দেনমার্কতা কোভিদ কেস হেনগৎলকপা লৈতে

কোপনহেগন, জুন ১০, (এজেন্সি) :

এসিয়াগী ৱাংমদা লৈবা কোরোনাভাইরসকী লোকদাউন কোমথোকপা অহানবা লৈবাক ওইরিবা দেনমার্কনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হায়খ্রে মদুদি, হৌখিবা থাদা লোকদাউন কোমথোকপগী অনীশুবা তাঙ্কক হৌখিবদগী লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলকপা লৈতে। লোকদাউনগী অথিংবশিং কোমথোকপগী অনীশুবা তাঙ্কক মনুং হৌখিবা মেদা নোর্দিক লৈবাক অসিনা রেষ্টোরেন্টশিং, কেফেশিং অমসুং মোলশিং অমুক হন্না বিজিনেস তৌবা য়াহনখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা লৈবাক অসিনা দে ক্যের সেন্টরশিং, স্কুলশিং, হ্যের পর্লরশিং অমসুং বিজিনেস মচা খরা অমুক হন্না হাংদোকপা য়াহনখি।

সোসাইটিদা লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হৌজিকসু য়াম্না নেম্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা দেনিস হেল্থ ওথোরিটিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, টেষ্ট মশিং হেন্না পাঙথোকচরবসু কনফার্ম তৌবা অনৌবা ইনফেক্সন মশিং লেপ্তুনা হন্থরক্লি। হৌজিক ফাওবদা দেনমার্কতা কোভিদ-১৯ মরম ওইদুনা মীওই ৫৯৩ শিখ্রবনি।

মৈ চাকপদা চেন্নখিবা ভেন্টিলেটর মোদেল লৌখৎলগনি

মোস্কো, জুন ১০, (এজেন্সি) :

মখা তানা সেফটিগী টেষ্টশিং পাঙথোক্লবগীদমক রসিয়াগী ফেক্তরি অমনা হৌখিবা মেদা হোস্পিটাল অনীদা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা চেন্নখিবা ভেন্টিলেটর মোদেলগী য়ুনিটশিং হন্দোরক্লবা মরী লৈনবা হোস্পিটালশিং অমদি হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খঙহনখ্রে হাবসি ষ্টেট হেল্থক্যের রেগ্যুলেটরগী দোক্যুমেন্টশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা উৎখ্রে।

মৈ চাকপগী থৌদোকশিং অদুদা চেন্নখিবা এভেন্টা-এম মেছিনশিংগী মরমদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরিঙৈ চৈরক্তা রসিয়ানা লৈবাক অসিদা শাবা মেদিকেল ভেন্টিলেটর খরা হৌখিবা মে ১৩দা শীজিন্নবা থিংখি। মরু ওইনা রসিয়ানা এপ্রিল ১গী মতুংদা সভেরদলোভস্ক রিজনদা লৈবা য়ুরলস ইন্সট্রুমেন্ট এঞ্জিনিয়রিং প্লান্ট (য়ু পি জেদ)না শাখিবা এভেন্টা-এম ভেন্টিলেটর খুদিংমক শীজিন্নবা থিংখি।

হোস্পিটাল অনীদা ভেন্টিলেটরশিং অসিনা মরম ওইদুনা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোকশিং অদু লৈবাক শীন-থুংনা ভাইরসকী অনৌবা কেস লিশিং কয়া লেপ্তুনা রিপোর্ট তৌরিঙৈ মতমসিদা রসিয়াগী ওইনা লাইবকথীবনি হায়না লৌনরি। ইনভেষ্টিগেসন অদুগী পান্দমদি করম্না মৈ চাকপগী থৌদোকশিং অদু থোকখিবনো হায়বা লেপথোকপনি।

ইন্দিয়ানা মপান্দগী খুৎলায় লৈবা হন্থহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎলগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ১০, (এজেন্সি) :

মপানগী ওরিজিনেল ইক্বিপমেন্ট মেন্যুফেকচরর (ও ঈ এম)শিংদা মপান তাংদুনা খুৎলায় লৈবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক নরেন্দ্র মোদি গভর্নমেন্টনা ‘অত্মা নিভার ভারত অভিয়ান’গী মখাদা য়াম্না থুনা লোকেল ইন্দষ্ট্রিশিংদগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুনচিংবা খুৎশু-খুৎলায়শিং লৈনবগী থৌরাং লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

খোঙথাং অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী কোভিদ-১৯ মতুংগী থৌরাং অমনি। থৌরাং অসি গভর্নমেন্টনা শাথিরবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসি মায় পাক্লক্লবা মতুংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি।

লৈবাক অসিগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটিগী ওইবা থবক থৌরমশিংগী থৌদাং লৌরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি (এম ঐচ এ)না অথুবা মতমগী মনুংদা প্রাইভেট ইন্দষ্ট্রিশিংদা মপান লৈবাকশিংদগী খুৎশু-খুৎলায়শিং লৈবগী চাং হন্থনবা গভর্নমেন্টনা পান্লিবশিং থুংহন্নবা তকশিল্লগনি। গভর্নমেন্টনা মমলগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা প্রাইভেট সেক্তরগী ইশ্যুশিং সোলভ তৌনবা শেম শাদুনা লৈ। লৈবাক অসিগী দিফেন্স ফোর্সকী তঙাইফদবা অফবা মখলগী খুৎশু-খুৎলায়শিং শানবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙদুনা প্রাইভেট প্লেয়রশিংগা থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়রি।

থৌরাং অসিদা লৈবাক অসিনা পান্লিবা খুৎলায়শিং দোমেষ্টিক মেন্যুফেকচররশিংবু শাহনবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী পোথোকশিং মপানদা থাদোকপগী ৱাফমসু য়াওরি। মসি মতম শাংনা খুৎলায়গী মতাংদা মপানগী ও ঈ এমশিংগী মপান তাংদুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী অত্মা নির্ভার ভারত অভিয়ানগী ভিজন থবক্তা ওন্থোরকপা অমনি। সোর্সশিংনা হায়রি মদুদি, হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিনা পৱার পায়বা হৌখিবদগী হীরম অসিগী মায়কৈদা রোদমেপ অমা শেম শাবা হৌখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা চহীদা পার্লিয়ামেন্টনা চহী ৬০ শুরক্লবা আমর্স এক্ট, ১৯৫৯ শেমদোকখি।

সী বি আইনা এক্স ওফিসরগী মায়োক্তা চার্জসীট ফাইল তৌখ্রে

CENTRAL BUREAU OF INVESTIGATION
Government of India
Office of Bank Se

ঘাজিয়বাদ, জুন ১০, (এজেন্সি) :

পব্লিক সর্ভেন্টশিং অমসুং প্রাইভেট ফার্মশিংগা মান্নরগা গভর্নমেন্টকী ফন্দশিং মাঙহনবগী মরালদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না নোইদাগী হান্নগী চীফ এঞ্জিনিয়র য়াদব সিংহ অমসুং অতৈগী মায়োক্তা চার্জসীট অহুম ফাইল তৌখ্রে।

সী বি আইগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না চার্জসীট অহুম অদু কুমজা ২০০৪-১৪ মনুংদা ফম অদু পায়খিবা সিংহ, মতমদুদা নোইদাগী চীফ এঞ্জিনিয়র অসিগা নকশিন্নখি হায়না লৌনবা গুল এঞ্জিনিয়রস কম্পনিগী প্রোপ্রাইটর জভেদ অহমদ, প্রোজেক্ট এঞ্জিনিয়রশিং রামেন্দ্র অমসুং ভিমল কুমার মাঙল্লিক, ফাইনান্স কন্ট্রোলরশিং কে পি সিংহ অমসুং এ সী সিংহ, সিনিয়র প্রোজেক্ট এঞ্জিনিয়র ভেদ পাল, এসিষ্টেন্ট প্রোজেক্ট এঞ্জিনিয়রশিং দি আর অরিয়া, জে সিংহ অমসুং এফ কে অগরৱাল অমদি অতৈ কয়াগী মায়োক্তা ফাইল তৌখি।

প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদা ফাইল তৌখিবা চার্জসীটশিং অদুনা এক্যুজ পব্লিক সর্ভেন্টশিং অসিবু কুমজা ২০০৭-০৮ মনুংদা লোনা য়াদবা অমসুং ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা মথক্কী প্রাইভেট কম্পনি অসিগী প্রোপ্রাইটরগা লৌতুনরগা লুপা ক্রোর ১.৭৬কী ওইগদবা কনট্রেক্ট অহুম কম্পনি অসিদা পীহনখি হায়না মরাল শীখি। কন্ট্রেক্টশিং অদুদা অন্দরগ্রাউন্দ কেবলগী খুখাংদা ফিদর লাইন ফুম্বা, ফ্লাই ওভর অমা ইলেক্ট্রিফিকেসন তৌবা অমসুং কে ভি ৩৩ অমসুং কে ভি ১১ ইলেক্ট্রিকেল লাইনশিং হোংদোক হোংজিন তৌবগী থবকশিং য়াওরি। ৱাথোক অসিদা চেন্নরিবা গুল এঞ্জিনিয়র কম্পনি অসি থবক্কী এক্সপিরিয়েন্স মতিক চানা লৈতবা মরম্না ওইদুনা কন্ট্রেক্ট অদু লৌনবা এপ্লাই তৌবা ফাওবা য়াফম থোক্তে হায়না মরাল শীখি। প্রাইভেট কম্পনিশিংদা লুপা ক্রোর ১১৬.৯গী প্রোজেক্টশিং পীথোক্লম্বগী কেসতা সী বি আইনা হান্নগী চীফ এঞ্জিনিয়র অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ফাখিবনি।

ঈ দিনা মেদান্টা, নরেস ট্রেহানগী মায়োক্তা থিগৎলগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ১০ (এজেন্সি) :

হরিয়ানা পুলিসনা মেদান্টা মেদসিটি হোস্পিটাল অমসুং হোস্পিটাল অসিগী চ্যেরমেন অমসুং প্রমোটর ডা. নরেস ট্রেহান অমদি অতৈগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখিবা মতুং নুমিৎ মরিনি খন্নরগা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)না মখোয়গী মায়োক্তা শীরিবা মনিলোন্দরিংগী মরালশিংগী মতাংদা লৌখৎপা থীজিনবগী থবক পায়শিনখ্রে।

ঈ দিগী সোর্স অমনা ওইরক্লিবা ফিভম অসি এজেন্সিদা কনফার্ম তৌরদুনা হায়খি মদুদি, কেস অসিগা মরী লৈননা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ঈ দিনা মীওই কয়া কৌখত্তুনা ৱাহং-পাউহং চথরগনি। হরিয়ানা পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা ট্রেহান, মহাক্কী ওর্গনাজেসন গ্লোবেল হেল্থ প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং হরিয়ানাগী গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং য়াওনা অতৈ মীওই ১৪ গী মায়োক্তা এফ আই আর অমা করপসনগী মরালগা মরী লৈননা লৌখৎখি। গুরুগ্রামগী সিভিল কোর্ট অমনা ওর্দর থোকখিবা মতুংদা পুলিসনা এক্সন অসি লৌখৎখিবনি। আর টি আই এক্তিভিষ্ট রামন শর্ম্মনা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ অস্বানি কুমারগী কোর্টতা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা ফাইল তৌবদগী কোর্টনা থাংজ নুমিত্তা গুরুগ্রাম পুলিসতা পুং ২৪ গী মনুংদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌনবা দিরেক্সন পীখি। কোর্টতা ঐহাক্লা হোস্পিটাল শাবা অমসুং লুপা ক্রোর ১০০০ গী গ্রান্ট লৌথোকখিবদা চেন্নবা মীওইশিং অমসুং কম্পনিশিংগী মায়োক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌনবা কোর্টতা তকশিনখি হায়না শর্ম্মনা তকশিনখি।

মাইগ্রেন্টশিংগী কেসশিংদা পীখিবা ওর্দর থাগৎখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জুন ১০ (এজেন্সি) :

লোকদাউন থুগায়বগীদমক মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী মায়োক্তা লৌখৎখিবা কেসশিং হন্দোক্লবগী ৱাফম খন্ননবা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংদা খঙহনখিবা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী চীফ ময়াবতিনা থাগৎখ্রে।

ত্বিট অমদা বি এস পিগী লিদর অসিনা হায়খি মদুদি, সুপ্রিম কোর্টনা কোরোনা লাইচৎ অমসুং লোকদাউন্না মরম ওইদুনা কিলোমিটর লিশিং কয়া লাপ্পা মফমশিংদগী ময়ুম-ময়ুমদা হন্নরকখিবা থবক তৎলবা অমসুং পাম্বৈ অমত্তা লৈজদ্রব মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংবু অথিংবশিং থুগায়বগীদমক লৌখৎখিবা কেসশিং হন্দোক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা ৱারেপ লৌখিবসি মতম চাই, অচুম্বা খোঙথাংনি অমসুং থাগৎনিংঙাই ওই।

অতোপ্পা ত্বিট অমদা মহাক্লা হায়খি মদুদি, কোর্ট অসিনা ময়ুম ময়ুমদা হন্নরক্লিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী ক্বালিফিকেসনশিং য়েংলগা মখোয়বু মরমদম ওইরিবা ষ্টেটশিংনা থবক পীনবা খঙহনখিবা অসিসু তরাম্না ওকই। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্নমেন্টশিংনা খুদক্তা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎপা হৌফম থোক্লে।

লৈবাক শীন-থুংনা চৎনখিবা লোকদাউন মনুংদা সুপ্রিম কোর্টনা মপান্দগী থবক তৎলগা ময়ুম ময়ুমদা ৱানা হল্লকখিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী ইন্টরেষ্টতা মরু ওইবা ওর্দর খরা থোকখি। এপেক্স কোর্ট অসিনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টতা ময়ুমদা হল্লক্লিংবা মাইগ্রেন্টশিং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা হল্লক্লবা শীন্নবা খঙহনখি।

ভিজিটর খুদিংমক টেষ্ট তৌবা কম্পলসরি ওইররোই

পনাজি, জুন ১০ (এজেন্সি) :

শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙলগদবা গোৱা গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবা অনৌবা এস ও পি অমদা ষ্টেট অসিদা লাকপা মীওই খুদিংমক শোয়দনা কেস তৌবগী প্রক্তিস মখা তানা চৎনররোই হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা কেবিনেট মীটিং লোইরগা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সৱান্টনা হায়খি মদুদি, লাইওং উত্তবা মীওই খুদিংমক্লা ষ্টেট অসিদা থুংলবা মতমদা মখোয়দা ওপসন অহুম পীগনি। মখোয় গোৱাদা নোংথক্কী লম্বী, কংফালগী লম্বী নৎত্রগা রেলগী খুথাংদা গোৱাদা চঙলকপা মতমদা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্সনা শকখঙবা লেবোরেটরি অমনা পুং ৪৮ য়ৌদবা মতমগী মনুংদা ইশ্যু তৌখিবা কোভিদ-নেগেটিভ সাটিফিকেট অমমম পায়গদবনি। নৎত্রগনা মখোয় তঙাইফদনা নুমিৎ ১৪ নি হোম ক্বারন্টিন তৌবগী ওপসন অসি য়েংবা য়াই।

করিগুম্বা মপান্দগী লাক্লিবা মীওই অমনা য়ুমদা লৈনবগী এরেঞ্জমেন্টশিং লাংবা ঙমদবা তারবদি মহাক নুমিৎ ১৪নি শেল পীরগা য়াবা ক্বারন্টিন ফেসিলিটি অমদা লৈবা য়াগনি। অহুমশুবা ওপসন্না লুপা ২,০০০ তিংলগা স্বাব টেষ্ট তৌবগা লোয়ননা পেইদ ক্বারন্টিন ফেসিলিটি অমদা টেষ্ট রিজল্টশিং লাক্ত্রিবা ফাওবা লৈবা অসিনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।